


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SUNDAY, JULY 08, 2018 PAGE 7




*ইংলেন্দনা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচতা ইন্টরনেসনেল মেটচ ৫০০ শান্নবা ঙমদুনা ইন্দিয়াগী ক্রিকেটরশিংগী মনুংদা অহুমশুবা শান্নরোই ওইখ্রবা হান্নগী কেপ্টেন মহেন্দ্র সিংহ ধোনি*

*ফ্রান্সকী ফুটবোল টুর্নামেন্ট লিগে ৱানগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা চহী অমগী কোন্ট্রেক্ত ইন্দুনা শান্নরগদবা ইটালিগী ভেটরান গোলকিপর জিয়ানলুইগি বুফোন*

## *ফিফা ৱার্ল্ড কপ ২০১৮, রুশিয়া*

# ইংলেন্দনা স্বিদেনবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা চহী ২৮ গী মতুংদা অহানবা ওইনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে



ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা হেরি মেগুইরেনা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

*সামারা (রুশিয়া), জুলাই ০৭ঃ*

রুশিয়ানা যুম্বু ওইদুনা চথরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইংলেন্দনা স্বিদেনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা চহী ২৮ গী মতুংদা অহানবা ওইনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। বেলজিয়মনা ব্রাজিলবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি ইংলেন্দনা মমাঙদা শান্নখিবা মখোয়গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা কলম্বিয়াবু পেনাল্টি সুটআওটতা পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা মখোয়গী লম্বা ওইখিবা স্বিদেননা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা স্বিটজরলেন্দবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইরম্বনি।

ইংলেন্দ অমসুং স্বিদেননা ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নদুনা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনদুনা শান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নবগী মিনট ২৫ হৌজিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা ইংলেন্দনা কোর্নর অমা ফংখি। কোর্নর কিক অদু ইংলেন্দগী শান্নরোই য়ংনা কাওশিল্লকপদা ফিভম ফজনা শেমদুনা লৈরিবা টিমমেট হেরি মেগুয়রনা য়াম্না ৱাংনা চোংখৎতুনা হেদ্দিং তৌশিন্দুনা পাঞ্জল ওন্থোকখিবদগী ইংলেন্দনা স্বিদেনবু ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা স্বিদেনগী শান্নরোইশিংনা ইংলেন্দগী মায়কৈদা এটেক কয়া তৌদুনা পাঞ্জল হন্দোক্কবা হোৎনদুনা শান্নরকখি। অদুবু ইংলেন্দগী দিফেন্দরশিংনা স্বিদেনগী এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফকী অপীবা মতম মিনট ৪৫ লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা স্বিদেনগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমখিদবা অমদি ইংলেন্দগী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী ইংলেন্দনা স্বিদেনবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা স্বিদেনগী মায়োক্তা বোল হেন্না পুশিন্দুনা অহেনবা পাঞ্জল থিবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৫৯শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দেলে আলিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা স্বিদেনবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

পাঞ্জল অনী শোথরবা স্বিদেনগী শান্নরোই থৌনা হনখিদে। মখোয়না পাঞ্জল হন্দোক্কবা হোৎনদুনা ইংলেন্দগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথদুনা শান্নরকখি।

মেটচকী মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা স্বিদেনগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগীসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু ইংলেন্দনা স্বিদেনবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ২৮ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা বেলজিয়মনা ব্রাজিলবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা ফ্রান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

পনবা য়াবদি বেলজিয়মনা মমাঙদা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা জপানবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। অমরোমদা ব্রাজিলনা মখোয়গী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মেক্সিকোবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকপনি।

বেলজিয়ম অমসুং ব্রাজিলনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ব্রাজিলগী শান্নরোই ফর্নানিদনহোনা শোয়বদগী চনশিজখিবা পাঞ্জলনা বেলজিয়মনা মখোয়বু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোথরবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা বেলজিয়মগী মায়োক্তা এটেক চথদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু বেলজিয়মগী দিফেন্দরশিংনা অরেম্বা তাহন্দুনা থমখি।

ব্রাজিলনা পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কেভিন দি ব্রুইননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ব্রাজিলবু ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ১৪ রোমগী মতম অদুদা ব্রাজিলগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি। অমরোমনা বেলজিয়মনসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী হাল্ফ লোইশিল্লকপদা বেলজিয়মনা ব্রাজিলবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা পাঞ্জল অনী শোথদুনা লৈরিবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা বেলজিয়মগী মায়োক্তা বোল হেন্না পুশিন্দুনা এটেক চথবা হৌরকখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নরকপা মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা বেলজিয়মগী মায়োক্তা চথরকখিবা এটেক অমদা রেনাটো ওগষ্টোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা শোথরম্বা পাঞ্জল অনীগী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি।

পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখ্রবা ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা মখা তাবা পাঞ্জল হন্দোক্কবা হোৎনদুনা বেলজিয়মগী মায়োক্তা এটেক কয়া চথদুনা শান্নবা হৌরকখি। অমরোমদা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনসু ব্রাজিলগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নদুনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমহন্দনা থমখি।

মেটচকী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু বেলজিয়মনা ব্রাজিলবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ফ্রান্সকা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।



বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা ব্রাজিলগী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকমিন্নবা

## *রুশিয়া অমসুং ক্রোএসিয়া পাঞ্জল ১–১ দা মান্নরি*

*সোচি (রুশিয়া), জুলাই ০৭ঃ*

*ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচঅমদা রুশিয়া অমসুং ক্রোএসিয়া অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা মান্নদুনা লৈরি।*

*রুশিয়া অমসুং ক্রোএসিয়ানা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী ক্রোএসিয়ানা বোল পোসেসন হেন্দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা রুশিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা দেনিস চেরিসেভনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ক্রোএসিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি। পাঞ্জল অমা শোথরবা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা এন্দ্রেজ ক্রামারিকনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈরি।*

# ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম নোর্থ কোরিয়াগা ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*ৱৈ নান সিটি (চাইনা), জুলাই ০৭ঃ*

চাইনানা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি ৱৈ নানদা লৈবাক ৪ না শান্নরিবা হুৱা সান কপ সিএফএ ইন্টরনেসনেল য়ুঠ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অমসুং নোর্থ কোরিয়াগী টিম পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম্না শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচতা য়ুম্বু লৈবাক চাইনাগী মখূত্তা ০–১ দা মায়থিবা নংখি। অনীশুবা মেটচতনা থাইলেন্দনা পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীরমদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা মেটচ অমত্তা মায় পাকপা ঙমদনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়া অমসুং নোর্থ কোরিয়ানা শান্নখিবা অরোইবা মেটচ অদু হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক চথরকখি। শান্নবগী ১৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই গিভসননা কাওশিল্লকখিবা বোল অমা গোল পোষ্ট মপান্দা চৎখিবদগী ইন্দিয়ানা মাঙজিল থারম্বা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা গিভসননা কাওশিনবদা নোর্থ কোরিয়াগী গোলকিপরনা ফাখিবদগী ইন্দিয়ানা অনীশুবা খুদোংচাবা মাঙজখি। শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা নোর্থ কোরিয়ানা পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমসু মাঙজখি। টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৫শুবা মিনটতা নোর্থ কোরিয়ানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৭৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা নোর্থ কোরিয়ানা নিয়ম লান্না মখোয়গী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা ফাওল তৌরুবদগী ইন্দিয়ানা পেনাল্টি অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোই ভিক্রমনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট খরা অদুদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চন্নবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

# চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈনা নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু মায়থিবা পীদুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



সাইমোনা হালেপপু থোইরম্বী চাইনিজ তাইপৈগী সৈ সু ৱৈনা হরাওবা উৎপা

*লন্দন, জুলাই ০৭ঃ*

চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সৈ সু ৱৈনা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু মায়থিবা পীরম্লগা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সৈ সু ৱৈনা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপপু ৩–৬, ৬–৪, ৭–৫ দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকোনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী ভিটালিয়া দাইটচেঙ্কোবু ৬–০, ৬–৪ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ১৪শুবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী দারিয়া কসাটকিনানা ১৭শুবা সিদেদ ওষ্ট্রেলিয়াগী এসলি বার্টিবু ৭–৫, ৬–৩ দা থোইরম্লগা টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা চিবুলকোভানা ১৫শুবা সিদেদ শান্নরোই বেলজিয়মগী এলিজ মার্টেন্সপু স্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–২ দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

১১শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা ১৮শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী নাওমী ওসাকাবু স্ট্রেট সেট অনীদা ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্লগা ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ৱিম্বলদন গ্রান্দস্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা নম্বর টু ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরবু স্ট্রেট সেট অহুমদা য়াম্না কোম্না ৬–১, ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্লগা মরিশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৫শুবা সিদেদ ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী দেল পোত্রোনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচতা ফ্রান্সকী বেনোইট পায়রেবু ৬–৪, ৭–৬(৭–৪), ৬–৩ দা থোইদুনা মরিশুবা রাউন্দ চঙখি। কানাদাগী মিলোস রাউনিকসু ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্তুনা ৪শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

# ২শুবা টি–২০ দা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে

*কারদিফ, জুলাই ০৭ঃ*

ইংলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা ইন্দিয়াগা শান্নরিবা টি–২০ সেরিজগী অনীশুবা মেটচতা ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৫ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ১–১ দা লৈখ্রে।


ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা অনীশুবা টি–২০ মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা ১৪৮ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদা ফিভম শোকখি। শুপ্নগী রন ২২ য়ৌরকপদা ৱিকেট ৩ তুখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা বোল ৩৮ মায়োক্লবদা সিক্স ২ অমসুং ফোর ১ য়ৈরগা রন ৪৭ লৌরম্বা অদুদা খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ৫শুবা বেটসমেন সুরেস রাইনাগী রন ২৭ লোয়ননা ধোনি অমসুং হর্দিক পান্দিয়ানা আওট ওইদনা মথংশিংনা রন ৩২ অমসুং ১২ লৌরম্বা অদু টিম অদুগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ইংলেন্দনা মায় পাকপগী রন ১৪৯ লৈখিবা টার্গেট অদু ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা ৱিকেট ৫ তুরগা লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৫ দা থোইবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ৪শুবা বেটসমেন এলেক্স হেলসনা আওট ওইদনা বোল ৪১ মায়োক্লবদা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৫৮ লৌরম্বা অদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

# ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমসুং চাইনাগী চেন য়ুফে লম্বা তৌনরগনি





নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং (ওই) অমদি চাইনাগী চেন য়ুফে

*জার্কটা, জুলাই ০৭ঃ*

ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোক্লিবা য়ুএস দোলর ১,২৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িং অমসুং ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফে লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ৮শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজিয়াওবু স্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৩, ২১–১৮ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী চেন য়ুফেনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা ৭শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–২৩, ২১–১৮, ২৩–২১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা জপানগী কেন্টো মোমোটাগা লম্বা তৌনরগনি।

দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী সি য়ুকিবু ১৮–২১, ২১–১৪, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। অদুগা জপানগী কেন্টো মোমোতানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াগী লি চোং ৱৈবু ২৩–২১, ২১–১২ দা থোইরম্বনি।

নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস গিদিওন অমসুং কেভিন সুকামুলজোনা ৭শুবা সিদেদ জপানগী টাকুটো ইনৌ অমসুং য়ুকি কানেকোগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দোনেসিয়াগী মার্কস গিদিওন অমসুং কেভিন সুকামুলজোনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র ফাজার অলফিয়ান অমসুং মুহমদ এরদিয়ান্টোবু ২১–১৩, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা জপানগী টাকুটো ইনৌ অমসুং য়ুকি কানেকোনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী পেয়র মিন চুন অমসুং চেং হেংবু ২১–১৩, ২১–১১ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা জপানগী পেয়র অনী মায়ু মাটসুটোমো অমসুং ৱাকানা নাগাহারানা য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোটাগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দোনেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী টোন্টোৱি অহমদ অমসুং লিলিয়ানা নাটসিরনা মালেসিয়াগী পেং সুন অমসুং লিয়ু য়িং লম্বা তৌনরগনি।

টোন্টোৱি অহমদ অমসুং লিলিয়ানা নাটসিরনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র ফাইসাল অমসুং ৱিদজাজাবু ২১–১৮, ২১–৮ দা থোইরমখি। অদুগা মালেসিয়াগী পেং সুন অমসুং লিয়ু য়িংনা সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ পেয়র চাইনাগী ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংবু ২১–১৮, ২১–১৬ দা থোইরম্বনি।